# হৌজিক মতমগী ট্যুসনগী চৎনবী অসিনা অফবা খুন্নাই শেম্বা ওইথোক্লোই ঃ প্রো এন মুহিলাল

*থৌবাল, মে ১৪ঃ* হৌজিক লমদম অসিদা চৎনবী ওইনা চখরক্লিবা মপা মমা অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মচা মশুশিংবু ট্যুসন তৌনবগী থিন্দোক থিনজিন তৌবগী মওং অসিনা অসুমক লিশাং শীৎনা চখরক্লবদি লমদম অসিদা অফবা খুন্নাই শেম্বা ওইথোক্লোই হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি লাইফ সাইন্স দিপার্টমেন্টকী প্রো. এন মোহিলালনা ফোঙদোকখ্রে।



থৌবাল ওক্রম ৱাংমা তাবদা লৈবা ন্যু ইরা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী থোইদোক হেন্দোকপা মহৈরোয়শিং পূক্লিং থৌগৎপগী ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা প্রো. এন মোহিলালনা মখা তানা হায়, অয়ুক নুংথিল, নুমিদাং নাইদনা ট্যুসন তৌবগী থিন্দোক থিনজিনগী চৎনবী অসি চহী ৫ রোমগী মমাঙদগী কন্না চখরক্লি।

মপা মমা অমদি গার্জিয়ানশিংনা মচা মশুশিংবু অচৌ অশাং ওইহন্নিংবগী তৌরম্বদি য়াই অদুমকপু মওং অসিনদি তুংদা অফবা খুন্নাই অমা ওইহনবদি ঙম্লরোই। ঐখোয়না তঙাইফদ্রিবা মরুওইরিবদি লাইরিক হৈবা অদুখক্তা নত্তে লাইশু খঙবদুনি। হৌজিক চৎনরিবা ট্যুসনগী মওং অসি অঙকপনি হায়রদুনা থাইনগী লাইওইখ্রবা ওঝা গুরুশিংনা চখরম্বা এদুকেসন সিষ্টেম অদুগদি তশেংনা তায়োন্নরে। অঙাংশিংবু অয়ুক মল্লিঙৈদগী নুমিদাং পুং ৭–৮ ফাওবদা তৌরিবা মওং অসিদি তশেংনা ঙারিগা পাঞ্চক ওইরে। হৌজিক্তি অঙাংশিং অসিগা মমা মপাশিংগা নক্কনা লৈমিন্নদুনা মহৈ মশিন তম্বগী চাংসু হন্থরক্লি। তুংদা অঙাংশিং অদুনা মীয়ামগী থবক তৌরকপদা মখোয়দা সোসিয়েল কন্সসনেস ৱাংলকপনা মরম ওইরগা মীয়ামগা লোয়নবা য়াবা হায়বদু ওইরোই।

অফবা খুন্নাই অমা শেম্বদা অফবা মহৈ মশিন (এদুকেসন) হায়বসি য়াওদনা শেম্বা ঙম্লোই। অদুনা মীপুম খূদিংমক্না অফবা লাইশু খঙনা মহৈ মশিন তম্বা তাই। মায় পাক্লবা মহৈরোয় অমনা মহাকপু তাকপি তম্বীরকপা ওঝাশিংবু খক কাউথোকপা ঙমদে। অদুনা ওঝাশিংনসু থম্মোয় শেংনা কখোকপগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংবু তাকপি তম্বিগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কোহসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ব এগজাম ২০১৯ দা ন্যু ইরা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী সাইন্স ষ্ট্রিমদা ৪ শুবা পোজিসন ফংলকখ্রবা অভিনাস এলাংবম অমসুং ২০ শুবা পোজিসন ফংলকখিবী লাইশ্রম রেসমি য়াওনা থোইদোক হেন্দোক্লা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওক্কুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুদা দি এম কলেজ ওফ সাইন্স ইম্ফালগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডা. অকোইজম ব্রোজেন্না থৌরম মপু, সোসিয়েল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রম অমদি ইভর গ্রিন ফ্লৱার স্কুলগী প্রিন্সিপাল ডা. ওক্রম ইবোপিশক্না অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

ন্যু ইরা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ওইনা কোহসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ব এগজামদা অহানবা ওইনা মহৈরোয় ২২২ থাবদা পোজিসন হোল্ডর ২ য়াওনা ফার্ষ্ট দিভিজন্দা মহৈরোয় ২০৮, সেকেন্দ দিভিজনদা ১৪ মায় পাক্কুনা চাদ চাম্মা মায় পাকখি। ৪ শুবা পোজিসন তাখিবা অভিনাস এলাংবমদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৩০, মোমেন্টো অমদি সাইটেসন, অদুগা ২০ শুবা পোজিসন তাখিবী লাইশ্রম রেসমীদা লুপা লিশিং ২০, মোমেন্টো অমদি সাইটেসন স্কুলগী মায়কৈদগী খুদোল তমদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। মণিপুরগী ওইনা কম্প্যুটর সাইন্সতা সবজেক্ট টোপ্পর ৩ পুথোকখিবী ওঝা অমসুং টোপ্পর ওইখ্রবা মহৈরোয়শিং, স্কুলগী ওঝাশিংদসু শেলগী মনা অমদি অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা তরাম্না ওকখি। মহৈরোয় ৩১ দসু ন্যু ইরা ইন্সপয়ার স্কোলারসু য়েহ্থোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মায় পাকখ্রবা মহৈরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা অফবা মহৈরোয় অমদি স্কুল ওইনবা হোৎনবদা ওঝা, মমা মপা ওইরিবশিংগী অপূনবা থৌদাং তঙাইফদে অমদি ওঝাশিংনা তাকপি তম্বীবা মতমদসু থম্মোয়নুংগী য়াওনা তাকপিয়ু। মমা মপাশিংনসু অঙাংশিংবু থম্মোয়গী ওইবা নুংশিবগী মরী অদুদা ঙাংবি চৈবিবা, ৱারক ৱাতেম্বা তৌবিয়ু হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

## য়াইরিপোক হায়স্কুল চহী ৫০ শুরকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

*থৌবাল, মে ১৪ঃ* থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংখেম কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক হায়স্কুল চহী ৫০ শুরকপগী থৌরম ঙরাং স্কুল অসিগী হোলদা পাঙথোকপগা লোয়ননা চহীগী মনা মথুমসু য়েহ্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাংখেম কেন্দ্রগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্র সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, জেদ ই ও জোন– থ্রি অরিবম অনিলকুমার সিংহনা থৌরম মপু অদুগা বি দি ও ওইরম্বা মাইবম ইবোতোম্বী খুমন, য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৪ গী ৱার্দ মেম্বর হুইরেম নিলবির অমদি হায়স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর কৈশাম জোয়কুমার সিংহনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

কৈশাম মেঘচন্দ্র এম এল এনা হায়, য়াইরিপোক হায়স্কুলগী চহী ৫০ গী লিক্লমদা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংদা মীয়ামগী থৌদাং কয়া পাঙথোক্লি হায়বসি পূন্নমক্না খঙনরিবা ঙাক্তনি। স্কুল অসি হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মহৈরোয়, ওঝা, মমা মপা ওইবশিংনা থেংনরিবা দরকার ওইবা তঙাইফদবশিং অদু অঙম্বা থাক্তা মেনখৎনবা হোৎনগনি।

মমা মপাশিংনসু নিংহন্নবা তৌবিগনু, স্কুল অসিগী অৱাৎ অপাশিং পূন্না মেনখৎনবা হোৎনমিন্নদুনা তুংদা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা মায় পাকপা অমদি অফবা মহৈরোয় পুথোক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না আপিল তৌখি। স্কুল অসিগী চহীগী ওইনা পাঙথোকপা স্পোর্টস মিটতা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোয়শিংদা মনা মথুম য়েহ্থোকপগা লোয়ননা রিপব্লিক দে থৌরমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা সরকারগী অফবা স্কুলশিং খনগৎপদা য়াওদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পীবা সার্টিফেকেট ওফ ওনরসু এম এল এ মেঘচন্দ্রনা স্কুলগী হেদ মাষ্টরদা খূৎশিন্নখি।

## দিনাজিৎ মঙাং ওক্কনি

*ইম্ফাল, মে ১৪ঃ* এস দি জে এম হয়ার সেকেন্দরি স্কুল মেনেজিং কম্মিটি ঘরি অৱাং লৈকাইনা শীন্দুনা কোহসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ব এগজামগী সাইন্স ষ্ট্রিমদা ১৩ শুবা পোজিসন ফংখিবা দিনজিৎ মঙাং ওকপগী থৌরম থা অসিগী ১৬ শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা স্কুল অসিগী প্রেমিসেসতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# এফিলিয়েৎ নৎত্রগা রিকোর্গনাইজ তৌদবা স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং মিং চনবিগনু ঃ এইমস

*ইম্ফাল, মে ১৪ঃ* কোহসেম অমসুং সি বি এস ইদা এফিলিয়েট তৌদবা স্কুল কয়া লমদম অসিদা লৈবা থেংনরে। অদুনা এফিলিয়েট তৌদবা স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং মিং চনবিগনু অমদি সরকারগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনসু অথুবদা য়েংশিন্দুনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপিয়ু হায়না অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস)না ফোঙদোরক্লি।

এইমসকী সেক্রেটরী এদুকেসন এন্দ একাদেমিক এফিয়ার্স বেনর্জি হুইদ্রোমনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চহী অসিগী ওইনা সি বি এস ইগী ক্লাস টেন এগজামগী ফল লাউথোকখ্রবা মতুং বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন এগজামগী ফলসু লাউথোরক্লগনি। ক্লাস এলভেনদা মহৈরোয়শিং মিং চন্নগদবা মতম অসিদা এফিলিয়েট তৌদবা অমদি রিকোর্গনাইজ তৌদবা স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং মিং চনবগী খুদোংচাবা পীনবা মেদিয়াগী খূত্থাংদা অমদি লৈকাই লৈকাইদা পোষ্টরনচিংবা থেৎপা কয়াসু থেংনরে। তাঞ্জা অসিদা গার্জিয়ান অমদি মহৈরোয়শিংনা এলভেন ক্লাসতা মিং চনবা মতমদা স্কুল অদু রিকোর্গনাইজ তৌব্রা তৌদব্রা নৎত্রগা এফিলিয়েট তৌব্রা তৌদব্রা হায়বদু কূপ্না য়েংশিনবিয়ু।

ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা কম্পিটিটিভ সক্সেস একাদেমি কৌবা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমনা কোহসেমদা এফিলিয়েট তৌই হায়দুনা মেদিয়াগী খূত্থাংদা এদভর্টাইজমেন্ট তৌবসু থেংনরে অসিদসু নত্তনা ষ্টাফ অমদি ফেকলটি মেম্বরশিং লৌনবগী এদভর্টাইজমেন্টসু তৌরি। এইমসনা হিরম অসিগী মতাংদা থিজিল্লুবদা হায়রিবা স্কুল অসি কোহসেমদা এফিলিয়েট তৌবা স্কুলশিংগী লিষ্টতা য়াওরমদ্রে।

এদমিসনগী মতমদা স্কুলঅদু করম্বা মখলগী স্কুলনো হায়বদু গার্জিয়ান অমসুং মহৈরোয়শিংনা কূপ্না য়েংশিনবিয়ু। এফিলিয়েট নৎত্রগা রিকোর্গনাইজ তৌদবা স্কুলগী মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক কেরিয়রদা অমদি মহৈরোয়শিংগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর পীবা, এগজাম থাহনবগী শক্তি হায়রিবা স্কুলশিং অসিগী লৈতে।

অমরোমদা নিয়ম লান্না স্কুল চল্লাইরিবশিং খুদক্তগী লেপ্পিয়ু, ট্যুসন সেন্টর নৎত্রগা কোচিং সেন্টর অমনা হেক্তা স্কুল ওন্থোকপগী থৌওং থাদোকপিয়ু। হিরম অসিগী মতাংদা এইমসনা মীৎয়েং চঙলগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। হৌজিক এলভেন ক্লাসতা মিং চন্নবা প্রাইভেট স্কুলশিংনা টোপ্পর ওইবা মহৈরোয়শিং শেল পীদুনা লৈবা অমসুং মহৈরোয় খোম্বগী থৌওং চখরিবা অসিসু লেপকদবনি। এদমিসনগী করবার তৌবিগনু, অসিগুম্বা থৌওংদা গার্জিয়ানশিংনসু থৱায় য়াওশিনবিগনু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## নোংমগী লিগেল ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৪ঃ* মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি (এম এ এস এল এস এ)না শীন্দুনা চৎলিবা থা অসিগী ১ দগী ষ্টেট শীনবা থুংনা চখরিবা কেম্পেইনগী মনুংচন্না প্রিজনরশিংগী ইমুংগী মীওইশিংদা লেম্না লিগেলগী মতেং পীবা হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্স এ দি আর বিল্ডিংদা লৈবা এম এ এস এল এস এগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অদুদা মেম্বর সেক্রেটরী জি গাইফুলশিললু, দিপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরী সদানন্দ সোরোখাইবম, সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুটি দিরেক্টর দব্লিউ বিরহরি সিংহ, নেস্নেল হেলথ ওথোরিটিগী কন্সলটেন্ট থোংশুনমুং ভুলনামনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি।

প্রোগ্রাম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট পূন্নমক্তগী নোমিনেট তৌবা এদভোকেট অমসুং পেরা লিগেল ভোলুন্টিয়ার ৫০ হেনবনা শরুক য়াখি। শরুক য়াখিবা এদভোকেট অমসুং পেরা লিগেল ভোলুন্টিয়ারশিংগী রিছোর্স পুল দিষ্ট্রিক্ট খূদিংগী শেমদুনা জেলদা লৈরিব–শিংগা ৱারী ৱাতাই শানখি অমসুং রিছোর্স পুলনা জেল ইনমেটশিংগী ইসুশিং অদু নীংথিনা নৈনখি অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা ৱারী ৱাতাই শানদুনা লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী এক্টিভিটিজ অমদি সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী স্কিম কয়াগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনখি।

সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুটি দাইরেক্টর দব্লিউ বিরহরি সিংহনা তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার স্কিমশিং –ৱিদো পেন্সন, ওল্ড এজ পেন্সন, স্পোন্সরসিপ ফোর চিলদ্রেন, চীফ মিনিষ্টরগী শোখারবশিংগী তেঙবাং নচিংবগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনখি।

নেস্নেল হেলথ ওথোরিটিগী কন্সলটেন্ট থোংশুনমুং ভুলনামনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেলঠ স্কিম অমসুং প্রোগ্রামশিং, মসিগী কান্নবা অমদি প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্য যোজনা (পি এম জে এ ৱাই), চীফ মিনিষ্টর হকশেলগী তেঙবাং (সি এম ঐচ টি), প্রধান মন্ত্রি সুরক্ষ ভিমা যোজনা (পি এম এস বি ৱাই) অমসুং অতৈগী মতাংদা মপূং ওইবা ৱাফম কয়া থমখি হায়রি।

এম এ এস এল এস এগী মেম্বর সেক্রেটরী জি গাইফুলশিললুনা হায়, ইমুং অমগী ভার পুরিবা মীওই অদুনা কেস অমগী বন্দি ওইনা লৈখ্রবা মতমদা করিসু খঙজদবা ইমুংগী মীওইশিংনা থেংনবা অৱাবা অদু য়েংলগা মখোয়দা লিগেল এইদ পীনবা কেম্পেইন অসি পাঙথোকখিবনি।

## লৌমীশিংগা খন্ন–নৈনখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৪ঃ* লৌমীশিংগী সোসিও ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট এক্টিভিটিজগী মতাংদা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম ঙরাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা সলুংফম ময়ায় লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

ইরমদম য়ুনাইটেদ ফুদ প্রদ্যুসর কম্পনি লিমিটেদ ককচিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা কম্পনি অসিগী সি ই ও টিঐচ বোবি, মেনেজিং দিরেক্টর হেমন্ত সলাম অমসুং রেজেন টেক্নো–ইকোনোমি কন্সলটেন্সি সার্ভিস প্রাইভেট লিমিটেদ লম্ফেল ইম্ফালগী এল মিরাঞ্জননা রিছোর্স পার্সন ওইনখি।

সলুংফম ফার্মরস ক্লবকী প্রসিদেন্ট থোকচোম মৈপাক্না ময়ায় ফমদুনা চখখিবা প্রোগ্রাম অদুদা ক্লব অসিগী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

# কলচরেল ফোরমগী দাইমন্দ জুবিলি থৌরম লোইশিল্লগনি

*ইম্ফাল, মে ১৪ঃ* কলচরেল ফোরম মণিপুরগী চহী অমা চূপ্পা চখরকপা দাইমন্দ জুবিলি থৌরম থা অসিগী ১৭ অমসুং ১৮ দা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী হোলদা অখন্নবা থৌরম পাঙথোক্কুনা লোইশিল্লগনি অমসুং ৬১ শুবা মপোক কুমওন থৌরমসু পাঙথোক্লগনি।

ফোরমগী জেনরেল সেক্রেটরী ক্ষেত্রি রাজেন্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, দাইমন্দ জুবিলি লোইশিনবগী নুমিৎ নীনি চখগদবা থৌরমগী অহৌবা থা অসিগী ১৭ তা টেগোর এৱার্দ ফোর কলচরেল হার্মোনি ২০১৪ ফংখ্রবা রাজকুমার সিংহজিৎ সিংহ পদ্মশ্রী, মিনিষ্টর ওইরম্বা আর ভি মিংথিং অমসুং ফোরমগী প্রসিদেন্ট প্রো. ঐচ বিহারি সিংহনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, অখন্নবা মীথুং অমসুং থৌরম মপু ওইগনি।

নুমিৎ অসিদা ১৯৫৯ দগী লেপ্তুনা ফোঙলক্লিবা সাহিত্যগী চেফোঙ ঋতু ১৮৫–১৮৬ শুবা মশীং অমদি ময়াংলম্বম কান্দেসকী নোভেল ‘সম্বলগী’ মীতে ময়েক খূৎফোঙসু পুথোক্কনি।

ফোরম অসিগী অহল ওইরবা মেম্বরশিং ওইনাম য়াইমা, থোকচোম মঙ্গি, ডা. সিঙ্গাম গ্যানেশ্বরবু নীংশিংবগা লোয়ননা নেস্নেল এৱার্দিশিং রাজকুমার সিংহজিৎ সিংহ, এলাম ইন্দিরা দেবী পদ্মশ্রী, ডা. অধিকারিময়ুম রাধামানবী (উস্টাদ বিস্মিল্লাহ খান যুব পুরুস্কার ২০১৭ ফংখ্রবা ) অমসুং বুধিচন্দ্র হৈস্নাম্বা (সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ২০১৮) তরাম্না ওক্কনি।

থৌরমসিগী নীনি চনবা থা অসিগী ১৮ দা লেমজনিঙাই ওইরবা টেগোর এৱার্দ ফংখ্রবা রাজকুমার সিংহজিৎ সিংহনা পিকুল্যারিটিজ ওফ মণিপুরী কলচর উইথ স্পিসিয়েল রিফরেন্স টু মণিপুরী দান্স হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংগনি। অদুগা ডা. অধিকারিময়ুম রাধামানবিনা খণ্ডিতা, ডা. য়ুমলেম্বম গোপি দেবীনা শ্রীত কমল অমসুং ডা. পুখ্রম্বম লীলাবতি দেবীনা য়ে সখি হায়বা জগোয়শিং মীয়ামদা লাম্থোক্কনি হায়রি।

## হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী পীফম থোকপা শেনফম অথুবদা পীথোকপিয়ু

*ইম্ফাল, মে ১৪ঃ* ২০১৫ মার্চ ১১ দা সুপ্রিম কোর্টনা পীবা জজমেন্ট অমগী মতুং ইন্না য়েৎনদুনা লৈরিবা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী মিনিমম ওফ পেগী মতাংদা ২০১৮ এপ্রিল ১১ দা ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরীদা থারকপা চিঠিগী মতুং ইন্না পীথোকফম থোকপা শেনফম অথুবদা পীথোকপিয়ু হায়না মণিপুর ইমপ্লোইজ ৱেলফেয়ার এসোসি–য়েসন্না অমুক্কসু হন্না চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীদুনা হায়জখ্রে।

এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী কেঐচ ইনাওবী দেবীনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মমাঙ চহী ২০১৮ গী জুন ৫ দসু চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীদুনা পীথোকফম থোকপা শেনফম পীথোকপিনবা হায়জখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্টকী মতুং ইন্না হোম এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরীদা থারকখিবা চিঠিদা হায়খিবদি হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা ফংগদবা শেনফম অসি পে প্লস গ্রেদ পে প্লস দি এ প্লস ৱাসিং এলাউৱেন্স অপূনবা শেনফম অদুনি হায়বসি ময়েক শেংনা পল্লি। অদুনা মসিদা য়েৎননিঙাই ওইদ্রে। অদুবু থা ১১ হেল্লবা ফাওবা সরকারনা থবক্তা ওন্থোকপিদবা অসি পেন্দে অমসুং নুংঙাইতে। অদুনা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী অৱাবা য়েংবিরগা অথুবা মতমদা অচুম্বা ওর্দর থোক্কুনা ফংফম থোকপা অদু ফংহনবিয়ু হায়না ৱাকৎ চেরোল পীশিনখিবনি।

## ওইনাম গার্লস হায়স্কুলদা স্বছ ভারত অভিয়ান থৌরম পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৪ঃ* ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী টুলিহল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ওইনাম গার্লস হায়স্কুলদা স্বছ ভারত অভিয়ানগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লু নানবা অমসুং অকোয়বগী ফিভম ফগৎহনবগী মরুওইবা মীয়ামদা খঙহন্নবা মীৎয়েংদা নম্বোল কম্পনি ওপরেটিং বেজনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা স্বছ ভারত মিসনগী এৱার্নেস কেম্পেইন অদুদা মহৈরোয় অমসুং লমদম অদুগী মীওই ১৫০ হেন্না শরুক য়াখি।

কেম্পেইন অদুগী মনুং চন্না মহৈরোয়শিংনা ওইনাম ভিল্লেজ এরিয়াদা শিৎতোক শেংদোকপগী থবকসু চখখি। এৱার্নেস রেল্লি অমসু পাঙথোকখি। হৌজিক্কী অনৌবা পুন্সি মহিং অসিদা হকচাংগা মরী লৈনবা মরু ওইবা ৱাফমশিং মপূং ওইনা নোয়খৎলকপা, দাইবেটিস অমসুং হার্টকা মরী লৈনবা লায়না কয়াগী মতাংদা নীংথিনা খন্ন–নৈনখি। স্কুলগী ষ্টাফ, মহৈরোয় অমসুং অকোয়বদা লৈবা মীয়াম্না এৱার্নেস কেম্পেইন অদু মায় পাক্না শীনবগীদমক অসাম রাইফলসপু থাগৎপা অমসুং অপেনবা ফোঙদোকখি।

## নিম্পালগী নৌন থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৪ঃ* নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপ (নিম্পাল) গী জেনরেল বোদি মীফম ইম্ফাল ৱেষ্টর্ন ক্লব উরিপোক খুমন্থেম লৈকাইদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মথং চহী ২ গী থৌ পুগদবশিং য়েৎনবা লৈতনা খনখ্রে।

প্রসিদেন্ট টিঐচ ইবেয়াইমনা ময়ায় ফমদুনা পাঙথোকখিবা জেনরেল বোদি মীফম অদুনা মহাকপু অমুক হন্না লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট খনখ্রে। অতৈ থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি দব্লিউ ধনেশ্বরি দেবী ভাইস প্রসিদেন্ট, এস শান্তি লৈমা সেক্রেটরী জেনরেল, কেঐচ ওমি জোইন্ট সেক্রেটরী, এস কমলা দেবী ফাইনান্স সেক্রেটরী, সিঐচ প্রেমলতা দেবী এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরী, এস রানিবলা দেবী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী, এস পুর্ণিমা দেবী এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী, দব্লিউ থাইইবেম্মা দেবী আই পি আর সেক্রেটরী, এ রাশিনি দেবী এসিষ্টেন্ট আই পি আর সেক্রেটরী, সিঐচ সুন্দরি দেবী অমদি রেজিয়া অনীমক কম্যুনিটি এফিয়ার্স সেক্রেটরী অমসুং এ সনাতোম্বী দেবী এসিষ্টেন্ট কম্যুনিটি এফিয়ার্স সেক্রেটরীনি।

মেম্বর ওইনা খনখ্রবশিং অদুনা ৱাই সুবিতা, ৱাই সুনিতা, ৱাই চিত্রা দেবী, টিঐচ ইনাওবী, এল ইবেলৈ, কে অনন্দি দেবী, তিলোতমা অমসুং এম বিমোলা দেবীনি হায়রি। লূপ অসিগী ৪ রক শুবা কুমওন থৌরমসু পাঙথোকখ্রে

**CERTIFICATE LOST**

I have lost my Original Certificate of State Award to Master craftsman (Trade-Dance & Costume) for the year 2009-2010 issued by Directorate of Commerce & Industries, Government of Manipur on the way in between my residence and Thoubal Bazar on 03-05-2019.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/-Smt. Hijam (O) Chaobi Devi**
Yumnam Leikai Lairembi Maning, Imphal
Rp Mobile No. 9436869923

# য়ুরিয়াগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা থবক পায়খৎলু ঃ এ এম পি এফ এ

*ইম্ফাল, মে ১৪ঃ* লৌউ শিংউবদা তঙাইফদনা চঙলিবা য়ুরিয়া হার মতম চানা লৌমীশিংদা ফংহন্নবা অমসুং অৱাবা লৈহন্দনবা মণিপুর লৈঙাক্না মাঙজৌননা থবক পায়খৎপিয়ু অমদি নিংথিনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবিয়ু হায়না ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিভ ফার্মরস এসোসিয়েসন (এ এম পি এফ এ)না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং চিংশিল্লি।

এ এম পি এফ এগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি সেরতো চুংনৈরেন কোমনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, য়ুরিয়া হার অসি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা কন্ট্রোল তৌরিবনি। অদুবু চহী খূদিংগী কালেন লৌউ মতমদা য়ুরিয়া ফংদবগী অমসুং ফংলবসু কা হেন্না মমল ৱাংবনা অৱা চৈথেং কয়া লৌমীশিংনা মায়োক্নদুনা লাক্লি। হার ফংদবা নৎত্রগা মমল হেনবা হায়বসি পোখোক পুথোক্লবা হোৎনরিবা লৌমীশিংদদি হায়নিংঙাই লৈতনা নীংবা কায়নিংঙাই ওইরে।

মমাঙদা লমদম অসিদা খূৎশেমগী হার মখল অমত্তা শীজিন্নরমদ্রবসু হৌজিক্তি গ্রিন রিভোলুসনগী ইহৌ অমা লাকপদগী তপ্না তপ্না খূৎশেমগী হার শীজিন্নবসু হৌরকখি। খূৎশেমগী হার শীজিন্নদ্রবদি পোখোক পুথোকপদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱা চৈথেং কয়াসু পীরি। পোখোকসু হন্থরি। লৌমীশিংনা থারিবা মহৈ মরোং মখল কয়া হায় য়েল্ডিং ভেরাইটি (ঐচ ৱাই ভি) নৎত্রগা হায়ব্রিদ ওইনা থাদুনা পোখোক হেন্না পুথোক্লবা তঙাইফদবা পাম্লেসু ওইরিবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অয়ুক নুংথিল নাইদনা লৌবুক্তা লৈদুনা কুম অমগী চানবা ফৌ মরাং কায়না পুথোক্লবা অৱাবা খাঙদুনা থবক শুনরগদবা মতম ওইবনা মতাং চানা, মচল শুনা হার হাপহৌদ্রবদি পাম্বীশিংগী শাহৌদা অকায়বা পীবদা নত্তনা পোখোক হন্থহন্নবগী মরমসু ওইরি। অদুনা লৌমীশিংগী দরকার ওইবা মচাক মথুম মতম চানা অচাবা মমলদা ফংহনবা হায়বসি তঙাই ফদে। হিরম অসিদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অথুবদা মীৎয়েং চঙগদবনি। হোৎনরি, তৌরি হায়বখক্তনদি য়ারোই। থবক্তা ময়েক শেংনা উৎকন্দবনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী থৌরাং থৌশিল শোয়বনা চহী খূদিংগী লৌমীশিংনা হার ফংদবা অমসুং মমল হেনবগী অৱা চৈথেং ফংলিবনি। শুরি নোল্লিবা লৌমীশিংগী য়েংদুনা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টশিংদা হারগী আউটলেট মরাং কায়না হাংদোক্কুনা লৌমীশিংগী মতম মাঙদনবা তঙাইফদবশিং অদু অথুবদা পায়খৎপিয়ু। নোংজুথা মতমদা লম্বীগী খুদোংচাদবদগী ঙাকথোক্লবা ষ্টোক্তিতা হার মরাং কায়না থম্নবা মাঙৌজননা থবক পায়খৎলু। মসিনা অৱাবা কয়াদগী কোকহনবদা নত্তনা মমল হেনগৎপদগী ঙাকথোকপসু ঙমগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## এস টি দি সি এম ইলেক্সনগী আর ও অমদি এ আর ও হাপখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৪ঃ* সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি ওফ মণিপুর (এস টি দি সি এম)গী মথং টার্মগী থৌ পুগদবশিং থা অসিগী ১৯ দা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোক্কদবা জেনরেল বোদি মীফম্না খল্লগনি।

ইলেক্সন অসিগীদমক কম্মিটি অসিগী এদভাইজর ওইরিবা প্রো. ঐচ জয়েন্তকুমার সিংহ অমসুং ডা. টিঐচ রঞ্জিৎপু মথংশিংনা রিটর্নিং ওফিসার অমসুং এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসার ওইনা হাপখ্রে।

কম্মিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী ইন–চার্জ কে ভোগেন্দ্র–জিৎনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ইমা খুন্থোকহনবী শঙলেন দি এম কলেজ কেম্পসতা লৈবা কম্মিটি অসিগী ওফিস্তা নৎত্রগা আর ও অমসুং এ আর ওদা চৎলিবা থা অসিগী ১৭ লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা নোমিনেসন চে পীশিনবা য়াগনি। অদুগা নুমিৎতুমক্কী নুংথিল পুং ৫ দা স্ক্রুটিনি পাঙথোক্কনি।

## ৱাই চীঙ্খোঙানবা লুৱাংবু মীতৈ মরুপকী থৌবুরেল ওইনা খনখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৪ঃ* মীতৈ মরুপ হেদ ওফিস ৱাংখৈ থম্বালখোং ইম্ফাল ইষ্টকী ঙসি পাঙথোকখিবা জেনরেল বোদি মীফম্না মথং চহী ৩ টার্মগী ওইনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা জেনরেল বোদি মীফমগী অহুমশুবা ৱারেপ্পা মথং চহী ৩ গী থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি ৱাই চীঙ্খোঙানবা লুৱাং থৌবুরেল (প্রসিদেন্ট), অঙোমচা সেরাম গোজেন্দ্রো মীতৈ শিন্নরেম্বা (জেনরেল সেক্রেটরী) অমসুং লুক্রাম মধুকুমার শেল্লুংবা (ট্রেজরর)নি লোয়ননা মেম্বর ১৮ সু খনখ্রে। নৌনা থৌ পুনবা খনখ্রবশিংদা অরি অনৌ শিন্নদুনা ঙসিদগী মথৌ তৌবসু হৌখ্রে হায়রি।

## ঙসিগী ৰাষি ফল (১৫–০৫–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা, পাউ অফবা তাবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

**বৃষঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবা পাঙথোক্লগনি। শাওদবা ফগনি। নক্ষত্র ৩,৪,৫ অফবনি।

**মিথুনঃ** শোক্কনবা, হকচাং ৱাখল ফবা ৱাৎপা, শেল চৎপা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি হৈ শিংউ। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ৫,৬ অফবনি, ৭ ফত্তে।

**কর্কটঃ** অশোক অপন নংবা, কোক শাবা, খৎননিংবা, শেল চৎপা মতম্নি। শাওদবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮ ফগনি, ৯ ফত্তে।

**সিংহঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, থেংনরগনি। তোখাই তাগনগনি। শেল চৎলগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। হকচাং ৱাখল চাং অমদা লৈরগনি। নক্ষত্র ১০ ফগনি, ১১ ফত্তে, ১২ ফগনি।

**কন্যাঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, হোৎনবা য়াবা, অরুবা পাঙথোকপা, মীগী মতেং ফংবা মতম্নি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১২,১৩, ১৪ অফবনি।

**তুলাঃ** খৎনবা, শাওনবা মতম্নি। শেল মরম চাদনা চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবা ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। নক্ষত্র ১৪,১৫,১৬ অফবনি।

**বৃশ্চিকঃ** অশোক অপন নংবা, ৱাখল লাঙবা, খৎননিংবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। তোখাই তাগনগনি। শেল চৎপা, চরাঙনবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭ ফত্তে, ১৮ খরা ফগনি।

**ধনুঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা অরুবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা কান্নগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ ফগনি।

**মকরঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অচৌবশিংনা চানবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২১,২২,২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, অরানবা তাবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইথক থোংবশিংনা চানবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

**মীনঃ** গারী তপ্না থৌগনি। শাওদবা ফগনি। ৱারৌবা লৈরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি চেকশিল্লু। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৫ ফত্তে, ২৬ ফগনি, ২৭ ফত্তে।

